মতম চাদনা থাবল চোংলুবী লৈশাবীশিংনা এইমস অমদি লৈবাক মীয়ামদা শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস) :

য়াওশঙ লোইখ্রবা মতুংদা মতম চাদনা থাবল চোংবা লেপ্পবা মহৈরোয়শিংগী লূপ এইমস (অপুনবা ঈরৈবাক্কী মহৈরোয় শিনপাং লূপ) না লাউথোকখিবগী মায়োক্তা থাবল চোংলুবা ওইনাম মখা লৈকায়গী লৈশাবীশিংনা লৈবাক মীয়াম অমদি লূপসিদা লাল্লে হায়না শেংদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেল গলর্স হায় স্কুলদা লৈবা এইমসকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবদা লূপসিগী প্রসিদেন্ট রাজেশ য়ুম্নাম অমদি এদভাইজর লোংজম অবোথেনা হায়, লমদমসি চহীচূপ্পা ঈরাং, হরাউ কুম্দৈগা থাদোক্লবা য়াদবা অমগুম লাক্লিবসি লাইবকথীবনি। পাখঙ অমসুং লৈশাবী মচাশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবদগী, ঈকায় খুম্নবা মাংবা, খৎন-চৈনবগী চাং হেনগৎহল্লিবশিংগী মনুংদা থাবলনা অচৌবা মরম ওইরি। লৈশাবী অমদি মৌ অনীমক্না নুমীদাংদা থাবল চোংমিন্নবা অসিনসু থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লবগী মচাক লাক্লি। মীয়াম্না য়েংবদা নুংঙাইতবা ফিজোল কয়া শেৎতুনা মতম চাদনা থাবল চোংবগী মায়োক্তা এইমসকী থৌমীশিংনা তৌবীদনা আপিল তৌদুনা লাক্লি।

ফীভমসিদা ওইনাম মনিং লৈকায়গী লৈশাবীশিংনা এপ্রিল ৩০ দা থাবল শীনখিবদু লৈবাক মীয়ামদা লাল্লে শেংদোক্লবা হায়বদা পুলিস শাদুনা লূপসিগী এদভাইজরশিংদা কিহল্লকপা লাইবক থীবনি। থৌওংসি কনানা চথুরিবনো থিগৎলুবদা ওইনাম ৱার্দ নম্বর ৪ গী কাউন্সিলর অমনা তৌরম্বনি হায়বা খঙখিবগা লোয়ননা থৌওংসিগী মতাংদা ঙসি ৱাখল তামিন্নদুনা য়াশিন্নখ্রে।

মখা তানসু খা-পোৎশংবম, বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ১০, জয়পুর, নিংথৌখোং য়াওনা মতম চাদনা থাবল চোংখিবশিংনা ঙসিদগী নুমিৎ হুম্নি ফাওবগী মনুংদা লূপতা লাক্কুনা ৱাখল তামিন্নগদবনি হায়রি।

ওইনাম মনিং লৈকায়, ৱার্দ নম্বর ৪ গী কাউন্সিলর ওইনাম ইবেতোম্বীনা হায়, লৈকায়গী লৈশাবীশিংনা থাবল চোংবদা এইমসনা থিংলকই হায়বা ৱাফম মহাক্তি খঙদে। লৈকায়গী মনাওনুপীশিংনা নুপা অমনা ফোন পংতৌ তৌরকই হায়বদগী কনানো করিনো হংলুবনি। পাউ খঙনদবদগী লান্না লৌনখিদুনা ফীভমসি ওইরকপদা মহাক্না নুংঙাইতে। লমদমসিগী অফবা খুন্নাই পুরক্লুবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা এইমসনা লৌরক্লিবা থৌদাংশিংদা মখা তানা মতেং পাংগনি হায়খি।

তুরেল অমনবী মরিল শেংবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ : এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি অহুম ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেল অমনবী শেংবগী থবক থা অসিগী হৌখিবা ৮ গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্বলিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা হৌদোকখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি মেইন গেট মনাক্তগী তুরেল অমনবী শেংবগী থবক অদু হৌখিবগা লোয়ননা ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা থোংজ পার্ট টুগী ইবুধৌ থোংজুলাকপা মপা ফাওবা শেংখ্রে। লেবর ১০ রোম্না শরুক য়াদুনা শেংবগী থবক অদু কন্না চথুরি। তুরেল অমনবী মনুংদা অমোৎ-অকায় তারম্না লৌথোকপগা লোয়ননা হৌজিক ঈচেল নাইনা চেনবা হৌরে হায়রি।

নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পায়বী অপুনবা লূপকী ২শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০(ঐচ এন এস) :

নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পায়বী অপুনবা লূপ (নিম্পাল)কী চহী ২ মপুং ফারকপগী অনীশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি খ্বাই ব্রহ্মপুরগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফ্রীদম পাউচেগী এদিটর ওইরম্বা আর কে রনেন্দ্রজিৎনা চীফ গেষ্ট, নিম্পালগী প্রসিদেন্ট এন গ্যানেশ্বরীনা প্রসিদেন্ট, পি ঐচ শখি প্রসিদেন্ট অপুনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল), টি ঐচ রমণি জেনরেল সেক্রেটরি ওল মণিপুর ৱিমন রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপীসমাজ) অমসুং এস মোমোন লৈমা প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপুনবা নুপী লূপনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা আর কে রনেন্দ্রজিৎনা হায়খি, মীপাল তাংদবা হায়বা ৱাফম অসিদা ঐখোয়গী কৈথেলদা য়োল্লিবশিং অসি ঐখোয়গী পোৎ কয়া য়াম্না য়াওরিবগে হায়বসি খঙবা চঙই। মদুগা লোয়ননা শুবা নোম্বগী তঙাইফদবা কয়া অদু নৈনবনা মীপাল তাংদবা ঙল্লক্কনি।

ইমা লৈবাক্কীদমক খন্দুনা থবক তৌরিবশিংনা কৈদৌঙৈদসু লমচৎ নাইদবা হায়বদু ওইরোই। ঐখোয়গী মনুংদা থাজনদবা কয়া লাক্লিবসি হৌরকফম মশক খঙদবদগীনি। অওনবা হায়বসি পুরক্তবা য়াদে। অওনবা পুরকপদা ওর্গনাইজেসনসু য়াওবা তাই। ওর্গনাইজেসন য়াওরবসু ইরৈবাক্কী হায়বা ৱাখল্লোন্দা থবক তৌবগা লোয়ননা হৌরকফমসু মশক খঙবা চঙই।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা পি ঐচ শখিনা হায়খি, মণিপুরদা ইন্দিয়াগী লান মীশিংনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী মরুমদা নুপীশিংবু ঈজৎ মাঙহনবা, হাৎতোকপীবগী থৌওং কয়া চথুরক্তুনা মণিপুরগী নুপী ঈজৎ মাঙহনবা হৌদোকপগা চপ মান্নখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী নুপীশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনা থেংনদুনা লাকখিবনি। মরম অদুনা ইচাশিংগীদমক্তা মমাশিংনা শিবা কিদনা হোৎনরকপা কয়ানি। অদুগুম্বা থৌদোক কয়া অদুনা মৈরা পায়বী হায়বসি মতিং লৈবা কাঙলূপ অমা ওইরকখিবনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙবদা টি ঐচ রমণিনা হায়খি, নুপীবু নুপীনা হন্থনা য়েংই। অসিগুম্বা কয়া অসি নুপীদা ঙাক্তা তায়শিনবা, ফীভমনা য়াদদুনা লৈরক্লবসু খ্বাইদগী তোনবা হায়বসি নুপীশিংনা ওইরিবনি। মরুওইনা মণিপুরদা নুপীশিংবু ঈকায় খুম্নবীদে। মরমদি ফিজেৎ মতৎ শেৎপগী ৱাফম ফাওবা ঙাঙনরি। অদুবু মপান লমদদি ফিজেৎ ফিগাই শেৎলবসু ঈকায় খুম্নরি। মপান লমদা নুপীশিংবু ঈকায় খুম্নবিবা অসিগুম্বা মণিপুরগী নুপীশিংনা লমদম অসিগী নুপীশিংবু ঈকায় খুম্নবীয়ু হায়খি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙবদা মোমোন লৈমনা হায়খি, অফস্পা, ১৯৫৮গী মরুমদা চথুরকপা মীওৎ মীনৈ কয়া থেংনদুনা লাক্লবা ইমা ঙাক্তুনি। ইচাশিংগীদমক অমদি তুংগী মীরোলগীদমক পুন্না থৌদাং লৌমিন্দুনা হোৎনমিন্নসি।

নিম্পালগী প্রসিদেন্ট এস শান্তিনা নুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়খি, মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কনবা, য়েলহৌমী কনবা, চনুরাশিংগী মরক্তা নুংশিনবা অমদি নুংশিনবগী ৱাখল্লোনদা অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎপা, মীওইবগী রাইট কনবা, নুপীশিংবু তুহৎপীবদগী ঙাকথোকপা, মহৈ-মশিন অমদি খুৎশা হৈবদা য়োকখৎপা হায়বা পান্দম অসিদা চঙশিনবনি।

লুংলাইলু মীহাৎ কন্দেম তৌনরক্লি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):

চীংমৈরোং কবুই খুলদা লৈবা লুংলাইলুবু মহাক্কী মপুরোইবা অমদি ইমুং-মনুং য়াওনা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীরম্ববু পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরনা থম্মোয় শোক্না কন্দেম তৌই হায়না পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট মেমচৌবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চহী অসিমক্তদা নুপী-অঙাংদা চথুবা মীওৎ-মীনৈ, মীহাৎ-মীপুনগী চাং অসুক্কী মতিক ৱাংখৎলকপসি পেন দবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। থৌদোকশিং অসিদা চেন্নরিবা মীওই খুদিংমক লৈঙাক্লা অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর ৱিমেন’স ভেলুন্টরি এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ৫ দা চীংমৈরোং কবুই খুলদা লৈবা লুংলাইলুবু মহাক্কী মপুরোইবনা হাৎলম্বা অদু কন্দেম তৌই। চহী অসিদা নুপী-অঙাংদা চথুবা মীওৎ-মীনৈগী চাং হেনগৎলক্লিবসি নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। মরাল লৈবশিং মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা পূকচেল শেংনা মতম চানা থিদোক্তুনা অহকপা চৈরাক পীগদবনি। নুপী-অঙাংদা চথুরিবা মীওৎ-মীনৈশিংদা চেন্নরিবা মীওইশিং য়োকখৎতুনা থম্বীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ককৱা কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ : ককৱা লমদাইবুং ৱিমেন ৱেলফ্যের, প্রসিদেন্টকী ময়ুম মনাক্তা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা শকখঙদবা মোটোর সাইকল বুলেটতা তোংদুনা লাকপা মীওই অহুম্না নোংমৈ রাউন্দ ২ / ৩ ব্লেঙ্ক ফায়র তৌরম্বগী মায়োক্তা ঙসি ককৱা বজারদা নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম চথুখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা থোংবম লাতা (৫২) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা টি ঐচ রাজেন, ককৱা লমদাইবুং লৈকায়দা লৈবী অসিনা ফোঙদোরকপদা, ঙরাং নুমিদাং মখোয়না মৈরাশঙদা ফম্বা লোইরগা ময়ুম চঙনরকপদা মখোয়গী থোঙ্গাল মপাদা লম্বীদা মোটোর সাইকল বুলেট তোংদুনা লাকপা নহা অহুম্না নোংমৈ রাউন্দ ২ / ৩ ব্লেঙ্ক ফায়র তৌরল্লগা মমাঙ পাংনা ককৱা লিলান্দো লম্পাক তম্না থৌখি হায়রি। থৌদোক অসি মখা তানা মফম অসিদা চথুবীগনু হায়রি।

ꯑꯔꯥꯕꯥ/অৰাবা ফোঙদোকচবা

হৌখিবা তাং ৩০/০৪/২০১৭ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎতা Phumlou Keiroi Maning Leikai দা লৈবীরম্বী **শ্রী মতি নিংথৌজম ৺মেম্মা দেবী** মীয়াম্না ইধৌ হায়না খঙনরম্বী অসিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসিদা All Manipur Nupi Marup, Phumlou Branch না লৈখিদ্রবী অসিগী থৱায়না ঈশ্বরগী খুয়াদা ইংনা চিক্না পোৎথারুনবগীদমক অপুনবা নুপী লুপ ফুমলৌ ব্রাঞ্চনা মিনিট ৩ (অহুম) তুমিন্না লেপ্তুনা অৰাবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Chirom Rabita Devi**
Secretary, **All Manipur Nupi Marup, Phumlou Branch**

HL-P/1567/11

[illegible]

শৌগাইজম ভিক্তর লৈকায়দগী তাঙ্খোক্লে

ঙরাং তাং ৯/০৫/২০১৭ ইংদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক্কী মতাংদা ঙসি তাং ১০/০৫/২০১৭ইং, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা লৈকায় মীয়ামগী ওইবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না শৌগাইজম ভিক্তরনা মহাক্কী মতৌমা শৌগাইজম ওংবী পুর্নিমা লৈমা মপুরোয়বা রোনেল (ইনাও) শৌগাইজমবু নুপী ওইবীগী ঈজ্জৎ মাঙহন্নবা হোৎনরম্বা অমদি মাগী পুন্সিবু তেমশিংনরম্বগীদমক্তা শৌগাইজম ভিক্তরবু লৈকায়দগী পুন্সি চুপ্পগী ওইনা তাঙ্খোকপা হায়না ৱারেপ্পখ্রে। লৈকায় অসিদা লৈরিবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা শৌগাইজম ভিক্তরবু চঙজফম পীদবা লোয়ননা কনাগুম্বা ইমুংনা মহাকপু চঙজফম পীরম্লবদি মহাকপু চঙজফম পীরম্লিবা ইমুং অদুবুসু লৈকায়দগী মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা তাঙ্খোকপা হায়না মত অমত্তা ওইনা ৱারেপ্পরে।

Sd/- SECRETARY	SECRETARY	SECRETARY
Bright Way Club, Kwakeithel Lamdong	Lamdong Chaokhat Thourang Nupi Lup	LCTL

HL-P/1565/11

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯩꯉꯥꯛ

ANOM ME (NUNGAIJARE)
KAKI PAH E (THAGATCHARI)


L. Sudhakar
(Samu)

Sagolband Khamnam Leirak Imphal (Near I.T.I) Ta Ko Leibane Baba Nabakishore Gi Machanupa (Kau) Dada **Sudhakar (Samu)** gi Hidak Chabadagi Nung Animak Loina Eigi Hakchang Manungdagi Tabaneko. Aduda Eina Penmanduna Dada **Sudhakar (Samu)** bu Khabarda Thagatchare (Kaki Pah E) Phongbane.

Sd/- **T HANGIN**
T. LAIJANG (SENAPATI)

HL-P/1530/11-13 ☎ **8415971712**

[illegible]

BLOCK MACHINE গী চেক ফংবিগনি
M/S E.B.S. BRICK FIRM
Heirok Part-II Gate Palli Road

Class	Rate	No. Brick	Brick Amount	Transport Charge	Labour Charge	Total Amount
1st	8.30	3000	24900	3000	600	28500
1st	8.30	2000	16600	2000	400	19000
1st	8.30	1500	12450	1500	350	14300
2nd	8.00	3000	24000	3000	600	27600
2nd	8.00	2000	16000	2000	400	18400
2nd	8.00	1500	12000	1500	350	13800
1st Rej.	7.30	3000	21900	3000	600	25500
1st Rej.	7.30	2000	14600	2000	400	17000
1st Rej.	7.30	1500	10950	1500	350	12800
P.T.	6.50	3000	19500	3000	600	23100
P.T.	6.50	2000	13000	2000	400	15400
P.T.	6.50	1500	9750	1500	350	11600
3rd	3.70	3000	11100	3000	600	14700
3rd	3.70	2000	7400	2000	400	9800
3rd	3.70	1500	5550	1500	350	7400
Chektek (407 one load)			3500	1500	350	5350

Proprietor :- **E.B.S.**
Please Contact ☎ 9856310240

HL-P/1564/11-20 May

---

job vacancies

-BANKING REGULAR JOB & PART TIME JOB-

1 URGENT HIRING FOR 95 FRESHER BANKING JOB AT GUWAHATI & IMPHAL
JOB Role-Accountant, Min Salary Rs. 18000 Max Salary Rs. 43000
Qalification :- XII or Graduation. Age-18 to 32 years

2. Banking Part-Time SMS job at Home/Office
Minimum salary :- Rs-15,000 to Rs-35,000 , Qualification :- X to Graduate

JOB OPPORTUNITIES IN MERCHANT NAVY
Designation : Deck Crew - Engine Crew - Seaman
Qualification : 10th Standard and Above,Age Limit : 18 - 25 years ,
Salary Package : 35000/- to 85000/-

Urgent openings for 10th & 12th pass candidates in voice & non voice process
Role -BPO/ Telecaller, Locality:- Domestic
Sub Role -Domestic,Incoming,International,Non Voice,Outgoing,Sales, Support,Voice,Other. Min Salary Rs. 29,000 Max Salary Rs. 49,000

Airlines Job Recruitment 2017-18 Number of vacancies : 53
Name of Post :1. Cabin Crew 2. Air Hostess 3. Flight Stewardess 4. Flight Attendant 5. Cabin Attendant 6. Ticketing Manager
Age Details : Candidates age should be between 18 to 34 years as on last date of submission of application form. Salary Package : ranging from INR 3,40,000 per annum to INR 12,00,000 per annum.
Educational Qualification : XII applying or any of above

INTERNATIONAL JOB AT-MALAYSIA , SINGAPORE & BRAZIL
JOB-Accounts, Security, General Worker, Ground Operator, Techinical Staff,Piping & Project Management
Qualification :- X to Graduation or Experience. Age :- 18 to 38 years, Salary :- Rs 45,000 to 1.3 Lac. 3 to 5

-URGENT JOB IN IMPHAL-
JOB- FRONT RECEPTION , ATTENDENT , HELPER,SWEEPER ,PEON,COOK & DRIVER Qualification: VIII to Graduate Age :- 18- 34 Years Salary- 5000 to above

For Detail Contact us at :-
Office of the - Leima Job Guideline Service,Kwakeithel Bazar Airport Road,Imphal- Helpline no- 8974975286

HL-B/3787/28/3-27/5 (Alt)

[illegible]

MATHEMATICS TUTORIAL CENTRE
Keishamthong Ahanthem Leikai (Thangjam Leirak)
Near Radha Madhop Mandop

ADMISSION OPEN

For

- **Classes IX & X (BOSEM & CBSE)**
- **CLASS STARTING ON 17th MAY 2017**

Tutor : NABACHANDRA (KAMINI)
Please Contact : ☎ **9856466353**

HL-P/1536/9-11

[illegible]

TRIPLESUR COACHING CENTRE
Sega Road, Thouda Bhabok Leikai

Foundation Course for Class- IX & X (CBSE)
Subject : **English, Math, Science, Social Science, Manipuri**
Class starts on 15th May, 2017 (Evening)
Duration : **4 months**

- *Lowest fee with instalment basis*

Special Attraction :

- Well qualified experienced teachers
- Chapterwise Assessment
- Previous year questions analysis

Van Service Available

For more details, pliz contact : ☎ **8131029680**
8794523940

HL-P/1525/7-21 May

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/পাউজেঞ্জবা

লাক্লিবা কালেনগী ১৬ নি পানবা চৈচৎ ১২/০৫/২০১৭ কুমজা, ইরাই নুমিত্তগী চীংনুংকোক খুঙ্গং অসিবু কোনবীরিবা লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী নোংপোক নিংথৌ, নোংপোক পান্থোইবী অমদি ইমা হাওরৈমা-গী ৭ (তরেৎ) নি চুপ্পা কুমজা হরাওজগনি। মরম অসিনা পুম্নমক্না লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অহুমগী কুমজা হরাওবদা শরুক য়াবিনবা নীংশিংজরি।

নোল্লুকচরিবা ঃ **লাই কম্মীটি, চিংনুংকোক**

HL-P/1548/10,11,12

[illegible]

পাইল কেসকী মায় পাক্লা লায়েংজরি

নুংশঙনা মরম ওইদুনা শৌজ নান্থবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা ফুরি মকুপ-মকুপ থাংবা, ফুরি থুংবা, মরেং-মরেং চৎপা হাক্কৎচবা, অমাঙথোংগী মপানদা মখুল হুৎলকপা, খোঙ হান্থা য়াদবা, ঈ তাবা, খ্বাঙ নাবা হায়রিবা লায়নাশিং অসি মায় পাক্লা লায়েংজরি।

লায়েংফম ঃ
Haffiz Hatta Minuthong JNIMS Road

অদোমগী Pile Cure :
Kabiraj Md. Nasir Khan
☎ **9615033039 / 7085385283**

HL-P/1519/7-21May

[illegible]

URGENTLY REQUIRED

Sl. No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Salary
1.	Reception	8	XII and above	5000-8000
2.	Recovery Officer	10	X and above	5500-10,000
3.	Security/Ex-Serviceman Security	20	VIII and above	6000-12,000
4.	Ground Staff	14	XII and above	12,000-20,000
5.	Cabin Crew	12	XII and above	15,000-25,000
6.	Banking Staff	10	XII and above	10,000-20,000

Dt. of Submission on 17/5/2017 **Dt. of Interview 18/5/2017**
Contact : ☎ **8258993369 / 7422978155**
For more details **JOB HELPLINE**

HL-P/1520/8-17 May

[illegible]

তন্ত্র মন্ত্রগী ফাওরবা
বাবা করিম খান-অজমীরদগী লাকপা

য়ুমদা অৰা-অনা তারবদা কোকহনবা ঙম্বা, লম চথোকপা, লল্লোন-ঈতিক্কী থবক তৌবদা অপনবা লৈবা, ফিল্মদা থবক তৌবা, লুহোং-কৈহোংবদা অপনবা লৈবা, অঙাং য়াওবা ঙমদবা, শেন-থুমদা অপনবা লৈবা, য়েক্লবা লৈবা, য়ুম-পানবদা খায়নবা, অপাম্বা থুংনবা (নুংশিনবা), মীনা ফত্তবা জাদু তৌরকপা লৌথোকপা, হীরমশিদা হৈশিংলবা মীশকনি। অৰাবা লৈবা খুদিংমক ফহনবা ঙল্লবা মীশকনি।

- ***Time : 9.00 am to 5 pm. Hatta, Checkon Road, Near Orient Hotel.***
- ***নুপী Receptionist*** অমা অথুবদা পামজৈ।
- ***Salary - ₹ 5000/- to 8000/-***

☎ **7629937919**

HL-P/1380/22/4-22/5

[illegible]/দশা য়েংথোকপীয়ু

কুঠী য়েংবা ঃ নিংথৌকাবা, য়ুমশকৈশা, থাংজ (দশা, মহৈ-মশিং, লন, থবক, য়ুম্বান, অঙাং লৈতবা)

অনাবা য়েংবা ঃ নোংমাইজিং, শগোলশেন (লাইও খঙদনা নাবা, কুইরবা অনাবা, তরং চৎপা, পোৎশেম য়াদু, লাইগী মরম)

খুবাক ময়ি ঃ ইরাই নুমিৎ। লাকপদা কুঠী পুবিরকউ।

মতম ঃ অয়ুক পুং ৮ দগী ১২, নুংথিল পুং ২.৩০ দগী ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

মীয়ামগী ঃ
JM Dr. Ph. Rajendra (Rajendra Phai)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Academy Road, Imphal

HL-P/0185/25 Ap-25 May(Alt)

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেম্বলী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. **9615533737, 9856271907**
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee

HL-B/3843/28/04-27/05

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Ani Karak, Imphal

[illegible] **ADMISSION OPEN** [illegible]

CLASS XII Science 2nd Batch - 2017
Starting of Class : 22nd May, 2017

CLASS XI Science 1st Batch - 2017
Starting of Class : 26th June, 2017

Supply of well prepared exam oriented study material
Managing Director

We nourish your future

HL-B/3801/5,7,9,11

B.C.C. Manipur [illegible]
Under the guidance of **BOSEM/COHSEM Estd. 1995**

KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 22 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM

ADMISSION OPEN
CLASS XI & XII Sc FOUNDATION COURSE

Sub: IX & X (All subject),XI & XII Sc (Phy, Che, Bio, Maths, Eng,)

CLASS IX & X FOUNDATION COURSE

HURRY UP! **CLASS STARTS ON 27TH APRIL, 2017.** *HURRY UP!*
Class Timing & Office Hours : **Evening : 4:30 pm to 7:30 pm**
Please Contact: Office of the BCC Manipur Elite Senior Sec. School Building
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856310202

HL-B/3815/16 April-15May

BYS-PMT
[illegible]
Keishampat Opp. Tiddim Oil Pump

ADMISSION OPEN
CLASS XI FOUNDATION CUM MEDICAL
CLASS XII FOUNDATION CUM MEDICAL
6 MONTHS REGULAR MEDICAL 2018
BYS ALUMNI PURSUING MBBS

Vivex Th.


Rk. Iswarchand

Abhinay Th.

Sanathoi Ksh.


L. Pareihan

Tania Haobam

Sochan Sh.

Susama Y.

Sh. Kishan

Rema Naorem

Harison Y.

Y. Arvind

CLASS COMMENCES: JUNE 01, 2017
FEE CONCESSION
# TOP 50 (Screening Test)
# Former BYS students
FREE ACCOMODATION
WELL-EXPERIENCED FACULTY
BEST STUDY MATERIALS

Plz contact: BYS, Macha Leima School, Palace Compound.
9856088990, 9863284750

HL-B/3855/7-21May

[illegible]

JOB FOR X AND XII

ইম্ফাল অমসুং মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ওইগদবা Official Post-51 গীদমক অথুবগী ওইনা থবক্কী দরখাস্ত কৌজরি। থবক অসিগীদমক ক্লাস X, XII, Graduation পাস তৌরবা অমদি XII Appeared, Graduation তম্লিবা মীওইশিংনসু এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

Income : **₹ 10,000/- to ₹ 35,000/- (As per the Post**
Facility : **Fooding + Lodging + Free Tour**
Age : **Below 30 years**
Vising hour: **11.30 am to 3.30 pm**

- ***NO DEPOSIT REQUIRED***

All Male + Female + Fresher can apply.

Apply তৌবীনিংবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী Biodata গা লোয়ননা তানবীয়ু।

Contact : ☎ **9856377551**
9774986962

HL-P/0192/3,5,9,11